# নুপীনা ফিল্ডদা থোক্কুনা অহানবা শান্নরকপা ওইবনা ঐখোয়দি মীয়ামগী মীনোক-মৈশা ময়াম অমসু থেংনরকখি



ঐচ যমুনা দেবী
(ভেটরান প্লেয়র)

(ঙরাংগী মখা)

অসুমহায়না শান্ন-শান্ননা মেত্রিক থাগদবা মতমসু য়ৌশিল্লকখি। মরক্তুদা ঐগী ইবুঙ মনমোহন অমদি ওজা থোইবী দেবী (মমিং লৈবী অইবী)না গভর্ণমেন্টকী থবক থুনা ফঙননবা টাইপ তমশিল্লু হায়বীরকখি। লোইননা ইম্ফালগী থঙ্গাল বাজারদা লৈবা টাইপ তম্ফম স্কুল অমদা ঐহাকপু ওজা থোইবীনা মীং চনবীদুনা টাইপ তমহনবীরকখি। অদুগা ঐহাক্না টাইপ তম্বগী অচঙবা শেনফমসু লজা থোইবীনা লোইনা পুথোকপীখি। হায়রিবা মতমসি মণিপুরদা নুপীনা টাইপ তম্বসি অমত্তা লৈত্রি। ওজা থোইবীনা মতমদুদা হায়বীখিবসু টাইপসি নুপা ঙাক্তনি তম্ম রিবসি। নুপীদদি নঙনা অহানবনি। থৱায় য়াওনা হোৎনৌ। মসিবু ফজনা হৈরবদি, থবকসু থুনা ফঙগনি। ওজাগী ৱাহৈদুনা মরম ওইরগা ঐসু টাইপসি থৱায় হকচাং য়াওনা কন্না হোৎনজখি। হৈবসু মতম ইচঙ চঙদনা খুৎলোয়না হৈজরকখি।

মতমসু তপ্পা তপ্পা হৌখিদুনা ঐহাক মেত্রিক পাস তৌরে। মেত্রিক এগজামগী রিজল্ট হেক খঙবগা ঐনা খ্বাইদগী পামজবা ওইজগে খঞ্জরম্বদি পাইলোটনি। স্পোর্টস থৱায় য়াওজরকপনা মরম ওইরগা হকচাংসু মতমদুদা য়াম্না ফৈ। অদুনা এক্টিব সার্ভিস তৌনিংবগী ৱাখলসু ফজনা লৈখি। পাইলোট ট্রেনিং চৎকে খন্দুনা ফোর্মগসি কোইচেন চেন্দুনা লৌরুরবনি। ঐখোয় মতমদদি মেত্রিকপু পাস তৌরবদি পাইলোট ট্রেনিং চৎপসি য়ারম্মী। অদুবু ইমানদি পাইলোট ট্রেনিং চৎকে হায়বদু শুকয়া য়াখিদে। পাইলোট ওইবা পামজদে হায়দুনা কন্না থিংখি। অদুগুম্বা শিনফম তৌগে খনগনু ইমাগীদি ইচানুপীসি নতোমতনি হায়দুনা থিংলকখি। ইমানা থিংবদুনা মরম ওইরগা ঐহাক তোকপা তাখি। নুংদি য়াম্না নুংঙাইখিদে। অহানবা ওইনা ওইজগে খঞ্জবা শিনফম অমা ইমানা য়াদবদগী তোকখিবদু মতম খরদি ঐহাক য়াম্না হৈনিংখিদে। অদুদগী অতোপ্পা করি তৌসিগে হায়দুনা খনবা হৌরকখি। অদুগা ঐহাক্না টাইপকী দিপ্লোমা সার্টিফিকেট ফঙজখিবসিসু কুমজা ১৯৫৯ সিদনি। ওজা থোইবীনা শীনবীদুনা হায়রিবা সার্টিফিকেট অদুমদি য়াম্না ঙন্না পায়বা ঙমজখি।



মেত্রিক পাস তৌরবা মতুংদা ঐহাক ইম্ফাল কোলেজদা মীং চন্দুনা লাইরিক মখা অমুক তমথজরকখি। লোয়ননা হিন্দিদসু কোবিট পাস তৌজরকখি। মতম খরা হৌখ্রবা মতুং কুমজা ১৯৬৬তা মণিপুর ষ্টেট কোওপরেটিব বেঙ্কতা নুপী টাইপিষ্ট অমা লৌগনি হায়দুনা থবক কৌরকখি। মদুদা এপ্লাই তৌজরগা মতম খরা মণিপুর ষ্টেট কো-ওপরেটিব বেঙ্কতা নুপী টাইপিষ্ট অমা ওইনা লৈজরকখি। চাউরাক্লা চহী অমরোমদা লৈরম্লগা কুমজা ১৯৬৭তা সেক্রেটরিয়েটকী ক্লারিকেল এগজামগী চাংয়েংদা মায় পাক্তুনা মণিপুর গভর্ণমেন্টকী এদ্যুকেসন দিপার্টমেন্টকী সেন্ট্রেল



লাইব্রেরিদা লাইব্রেরিয়ান ওইনা থবক অমুক তৌরকখি। সেন্ট্রেল লাইব্রেরিদা থবক তৌজরিঙৈদা নুংথিল পুং ১দগী নুমিদাং পুং ৭

**রত্নেশ্বরি গোশ্বামী**
**অকাউ পরৈ চল্লুরবশিং**

ফাওবা লৈদুনা থবক তৌজরকখি। মতমদুদদি লাইব্রেরিদা থৱায় য়াওনা লাইরিক পাবা মীগী মশিংসু য়াম্না লৈরম্মী। নুমিদাংগী পুং ৭ ফাওবা লৈদুনা থবক তৌবদু নোংজু-থা অমদি নিংথম থাগী মতমদদি খিত্তং খুদোংচাদবা খরবুদি মায়োক্লখি। অদুদগী হেদ ওফিসতা হায়জদুনা দি আই ওফিস ইম্ফাল ইষ্টতা অমুক লৈরকখি।

অসুম্না মণিপুর গভর্ণমেন্টকী দিপার্টমেন্ট খরদা মফম হোং-হোংদুনা থবক তৌরক্লবা মতুং কুমজা ১৯৭০ দদি ঐহাক য়ুম্বাল পুন্সিদা খোঙদাজরকখি। ইমুং-মনুংগী, ওফিসকী অফা-অপুন ময়াম অমনা চেৎনা পুন্দুনা মতম খরা থল্লুরবা মতুংদা, কুমজা ১৯৮১দগী অমুক ভেটরান শান্নরোয় ওইনা অমুক থোকচরকখি। অঙাং ওইরিঙৈদগী শান্নবা পামজরকপগী ৱাখল্লোল অমা সুম লোইনদুনা লাকচখিবনিনা ভেটরানগী ইহৌ লাকপা মতমসিদসু তুমিন্না লৈথোকপা ঙমজখিদে। মদুনা মরম ওইরগা কুমজা ১৯৮১গী ওক্টোবর থাদা ইম্ফালগী মপান কাংজৈবুঙদা পাঙথোকখিবা ‘অহানবা ষ্টেট লেভেল ভেটরান চেম্পিয়নশিপ’তা কিলোমিটর ১০গী ৱার্কিং রেসতা শরুক য়াজরকখি। মদুদা ঐহাক কন্সোলেসন প্রাইজ ফঙজরকখি। মদুগী মখা তারকপা কুমজা ১৯৮২দা ওল ইন্দিয়া ভেটরান এথলেটিক্স এসোসিএসননা শীন্দুনা পঞ্জাবতা তৌখিবা ভেটরান এথলেটিক্স চেম্পিয়নশিপ অদুদসু ঐহাক ক্বালিফাই ওইবা ঙমজখি। অদুদগী হায়রিবা চহী ১৯৮২ অসিগী ওক্টোবর ৮দা হোংকোংদা তৌখিবা ‘মরাথোন স্পোর্টস’ ভেটরান মীট’তা ইন্দিয়াগী মহুৎ শীন্দুনা শরুক য়াজরকখি।

হোংকোংদা অহানবা ওইনা মণিপুরদগী ভেটরান শান্নরোয় ওইনা শরুক য়াখিবশিংদি নিংথৌজম মোমোন, এ তোন্বীমচা অমসুং ঐহাক ইশামক (ঐচ যমুনা) ঐখোয় অহুম অসিনি।

মথং ..মথং...

# হুইয়েন লানপাউ স্পোর্টস ক্যুইজ - ১০৪

১) ওলিম্পিক্কী ৱাটর পোলোদা ক্লব অমনা গ্রেট বৃটেনগী মহুৎ শীন্দুনা শরুক য়াখিবদা সনাগী মেদল ফংখি। ক্লব অদুগী মমিং পীয়ু।

২) কুমজা ১৯৫৪দা ইম্ফালদা পাঙথোকখিবা অচৌবা স্পোর্টস অমদা মণিপুরগী ক্লবশিংনা শরুক য়াখি। অয়াম্বা ক্লবশিংদি মমিং ওন্থোক্লগা শরুক য়াখি। মখোয়গী মরক্তা রুপমহল থিয়েটর ক্লবসু অমনি। করম্বা ক্লবকী মহুত্তা থিয়েটর অসিগী মমিং শিজিন্নখিবগে?

৩) করম্বা চহীদগী অসামনা রঙ্গাস্বামী কপ (Rangaswami Cup)তা শরুক য়াখিবগে?

৪) কুমজা ১৯৮৭তা ওল মণিপুর স্পোর্টস এসোসিএসনগী প্রসিদেন্ট কনানা ওইখিবগে?

৫) উৎলিবা শক্তম অসি কনানো? →



মথক্তগা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম ওক্টোবর ১৫, লৈবাকপোকপা নুমিৎকী অয়ূক্কী পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা hueiyensportsquiz@gmail.com দা মেইল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

# জপান ওপনদা ৱর্ল্ড নম্বর ১ জোকোবিস অমসুং গোফিন সেমি ফাইনেলদা লম্বা তৌনরগনি



টোকিও, ওক্টোবর ০৪(এজেন্সী)ঃ

জপানগী কোনুং টোকিওদা লৈবা অরিয়াকে কোলিসিয়মদা ঙরাংদগী হৌখিবা রাকুটেন জপান ওপন টেন্নিস চেম্পিয়নশিপকী নুপাগী সিঙ্গলস সেমি ফাইনেলদা ৱর্ল্ড নম্বর ১ সর্ভিয়াগী নোবাক জোকোবিস অমসুং বেলজিয়মগী দেবিদ গোফিনগা লম্বা তৌনরগনি।

জোকোবিসনা মহাক্কী ঙসি শান্নখিবা ক্বার্টর ফাইনেল মেচতা ফ্রান্সকী শান্নরোয় লুকাস পোলিবু য়াম্না কোম্না ষ্ট্রেট সেট অনীদা ৬-১, ৬-২দা থোইখি। মহাক্কী সেমি ফাইনেল লম্বা তৌনগদৌরিবা বেলজিয়মগী দেবিদ গোফিননা ক্বার্টর ফাইনেলদা সাউথ কোরিয়াগী শান্নরোয় হিয়ুং চুংবু ৬-২, ৬-২দা থোইরমখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী অতোপ্পা নুপাগী সেমি ফাইনেলদা য়ু এস এগী আর ওপেলকা অমসুং ওষ্ট্রেলিয়াগী জে মিলমেনগা শান্নরগনি। ওপেলকানা মহাক্কী ক্বার্টর ফাইনেল মেচতা জপানগী ৱাই উচিয়ামাবু ৬-৩, ৬-৩দা মায়থীবা পীরমখি। অমরোমদা ওপেলকাগী সেমি ফাইনেল লম্বা ওইগদৌরিবা ওষ্ট্রেলিয়াগী জে মিলমেননা ক্বার্টর ফাইনেলদা জপানগী শান্নরোয় টি দেনিয়লবু ষ্ট্রেট সেট ২দা ৬-৪, ৬-০দা মায়থীবা পীরমখি।

# ইন্দিয়াগী নুপীগী হোক্কি টিমনা গ্রেট বৃটেন টুরগী অরোইবা মেচতা পাঞ্জল ২-২ চন্নরগা দ্রো চৎখ্রে



মারলো, ওক্টোবর ০৪(এজেন্সী):

ইন্দিয়াগী নুপীগী হোকি টিমনা গ্রেট বৃটেনদা শান্নবা টুরগী ৫ শুবা মেচ অদুদা ঙসি টিম অনীমক্কী মায়কৈদগী অরোইবা মেচতা পাঞ্জল ২-২ চন্নরগা দ্রো চৎখ্রে।

ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী নবজোট কোর অমসুং গুরজিৎ কোরনা পাঞ্জল অমমম চনখি। অদুগা গ্রেট বৃটেনগী মায়কৈদগী ইলিজাবেথ নিল অমসুং অনা তোমাননা পাঞ্জল অমমম চন্দুনা টুর অদুগী অরোইবা মেচ অদুদা ইন্দিয়া অমসুং গ্রেট বৃটেনগী মায়কৈদগী পাঞ্জল ২-২ চন্নরগা মান্নরগা লৈখি।

ঙসি অঙনবদা শান্নখিবা ইন্দিয়া অমসুং গ্রেট বৃটেনগী নুপীগী হোকি টুরগী অরোইবা মেচ অদুগী অহানবা ক্বার্টরদা ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী অহেনবা এটেক চথবা ঙমখি। এটেক অদুগী মতুংইন্না শান্নবগী ৮ শুবা মিনটতা ইন্দিয়াগী শান্নরোই নবজোট কোরনা অহানবা ক্বার্টর অদুদা ইন্দিয়াগী অহানবা পাঞ্জল চনবা ঙমখি।

ইন্দিয়ানা পাঞ্জল অমা ঙন্না চনখিবা অদুদা গ্রেট বৃটেনগী মায়কৈদগী পাঞ্জল অদু হন্দোক্লবা কন্না হোৎনরকপা অদু মেচ অদুগী অহানবা মিট ১৫ গী ক্বার্টর অদুদা হন্দোকপা ঙমখিদে। মদুগী মতুং মখা তানা টিম অনীনা শান্নরকখিবা অনীশুবা ক্বার্টরগী মিনট ১৫ গী মতম অদুদা অহেনবা পাঞ্জল হাপচিনবা ঙম্নদবদগী মেচ অদুগী অহানবা হাফ লোইশিল্লকপদা ইন্দ্রিয়ানা গ্রেট বৃটেনবু পাঞ্জল ১-০ দা হেন্দুনা লৈখি।

অনীশুবা হাফতা গ্রেট বৃটেনগী মায়কৈদা ইন্দিয়াগী শান্নরোইশিং অদুনা খুদুম চন্না শান্নবা ঙমখি। মদুগী খুদোংচাবা লৌরগা মেচকী ৪৮ শুবা মিনটতা ইন্দিয়াগী চথখিবা এটেক অমদা ফংখিবা পেনাল্টি কোনর অদু গুরজিৎ কোরনা পাঞ্জল ওন্থোক্তুনা গ্রেট বৃটেনবু ২-০ দা মাঙজিল থাখি।

গ্রেট বৃটেনদা ইন্দিয়াগী নুপী হোকি টিমনা শান্নরিবা টুর অদুগী মখা চথরকপদা য়ুম্বু লৈবাক ওইরিবা গ্রেট বৃটেনগী মায়কৈদগী মেচকী ৫৫ শুবা মিনটতা টিম অদুগী শান্নরোয় ইলিজাবেথ নিলনা পাঞ্জল অমা চন্দুনা পাঞ্জল ১-২ দা লৈখি। মেচ অদুগী অরোইবা মীকুপতা গ্রেট বৃটেন অনা তোমাননা পাঞ্জল অমা চন্দুনা ইন্দিয়ানা হেল্লম্বা পাঞ্জল অদু মান্নহল্লগা ঙসি শান্নখিবা লৈবাক অনীগী নুপীগী সিনিয়র হোকি টিমগী টুর অদুগী অরোইবা মেচ অদু পাঞ্জল ২-২ চন্নরগা দ্রো চৎখি।

# ইন্দিয়াগী যমুনা বোরো নুপীগী ৱর্ল্ড বোক্সিং চেম্পিয়নশিপতা মায় পাক্তুনা প্রি ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌখ্রে



উলান উদে, ওক্টোবর ০৪(এজেন্সী):

রসিয়াগী সিটি উলান উদেদা পাঙথোকপা ৱর্ল্ড রুমেন্স বোক্সিং চেম্পিয়নশিপকী ঙসি লম্বা তৌনখিবা নুপীগী বাউট অমদা ইন্দিয়াগী যমুনা বোরা মায় পাক্তুনা প্রি ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রে।

রসিয়াগী সিটি অদুদা পাঙথোক্লিবা ৱর্ল্ড রুমেন্স বোক্সিং চেম্পিয়নশিপ অদুগী ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা কিলোগ্রাম ৫৪গী কেটেগোরিদা ইন্দিয়াগী যমুনা বোরো অমসুং মোঙ্গোলিয়াগী মিচিদমা অর্দেনেদলাইবু ৫-০দা মায়থীবা পীদুনা প্রি ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী মশাগী চহী ২২দা ঙাইরিবী অসাম রাইফলসতা থবক তৌরিবী যমুনা বোরোনা কুমজা ২০১৭গী রসিয়াগী ৱর্ল্ড রুমেন্স বোক্সিং চেম্পিয়নশিপ গোল্ড মেদল লৌখিবী অলজেরিয়াগী চেম্পিয়শিপ অসিদা ৫শুবা সিদেদ ওইরিবী ওইদার্দ স্ফোগা প্রি ক্বার্টর ফাইনেলদা লম্বা তৌনরগনি।

বাউট অদুগী মায় পাকপা বোক্সর অদুনা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌনবগীদমক্তা জর্মনিগী উরসুলা বোটোলোব অমসুং বেলারসকী য়ুলিয়া অপানাসোবিসকী অথোইবগা লম্বা তৌনগনি।

নুপীগী ৱর্ল্ড বোক্সিং চেম্পিয়নশিপ অসিগী ফ্লাইৱেথ কেটেগোরিদা ৱর্ল্ড চেম্পিয়নশিপকী টাইটল ৬রক লৌবা ঙমখ্রবী ইন্দিয়াগী এম সি মোরি কোমনা থাইলেন্দগী বোক্সর জুটামাস জিটপোংগা লম্বা তৌনরগনি।

চেম্পিয়নশিপ অসিগী লাইটৱেথ কেটগোরিগী অহানবা রাউন্দদা বাই ফংখিবী ৱর্ল্ড অমসুং এসিয়ান চেম্পিয়নশিপকী মেদল ফংবা ঙমখ্রবী লাইশ্রম সরিতানা মহাক্কী অহানবা রাউন্দগী বাউট অদু রসিয়াগী বোক্সর নতালিয়া সাদ্রিনাগা লম্বা তৌনগদৌরি। মায় পাক্লবদি রুমেন্স ৱর্ল্ড বোক্সিং চেম্পিয়নশিপ অসিগী প্রি ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌগদৌরিবনি।

চেম্পিয়নশিপ অসিগী ফেদরৱেথ কেটেগোরিদা ইন্দিয়াগী নুপী বোক্সর নিরজনা প্রি ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌনবগীদমক্তা চাইনাগী বোক্সর কিয়াও জৈরুংগা লম্বা তৌনরগনি।

লাইটৱেল্টরৱেথকী কাংলুপ্তা ইন্দিয়াগী বোক্সর মঞ্জু বোম্বোরিয়ানা ইটালিগী বোক্সর এঞ্জেলা কারিনিগা প্রি ক্বার্টর ফাইনেল বাউ লম্বা তৌনরগনি। মায় পাকপা বোক্সর অদুনা চেম্পিয়নশিপ অসিগী ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌগদৌরিবনি।

ৱেলটর ৱেথকী কাংলুপ্তা ইন্দিয়াগী লোৱ্লিনা বোরগোহেননা মোরোকোগী শান্নরোয় ক্বায়ামাবেল অহিবকা লম্বা তৌনগদৌরি।

# জপানগী নাওমি ওসাকা অমসুং দেনমার্ককী কেরোলিন ৱোজনিয়াকি চাইনা ওপন টেন্নিসকী সেমি ফাইনেলদা লম্বা তৌনরগনি





বৈজিং, ওক্টোবর ০৪(এজেন্সী)ঃ

চাইনানা য়ুম্বু ওইদুনা লৈবাক অদুগী কোনুং বৈজিংদা পাঙথোকপা য়ু এস দোল্লর ৮,২৮৫,২৭৪গী শেলগী মনা লৈবা দব্লীয়ু টি এ অমসুং এ টি পিগী য়ু এস দোল্লর ৩,৬৬৬,২৭৫কী শেলগী মনা লৈবা টুর্নামেন্ট অসিগী নুপীগী সিঙ্গলস কাংলুপ্তা ৱর্ল্ড নম্বর ১ ওইরম্লবী জপানগী নাওমি ওসাকানা ক্বার্টর ফাইনেল মায় পাক্তুনা সেমি ফাইনেলদা দেনমার্ককী কেরোলিন ৱোজনিয়াকিগা লম্বা তৌনরগনি।

জপানগী টুর্নামেন্ট অসিদা ৪শুবা সিদেদ ওইনা শরুক য়ারকখিবী নাওমি ওসাকানা কনাদাগী নহা ওইরিবী বিয়াঙ্কা এন্দ্রিস্কুবু য়াম্না অকনবা লম্বা অমনা ৫-৭, ৬-৩, ৬-৪দা থোইদুনা চাইনা ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্ট অসিগী সেমি ফাইনেলদা রসিয়াগী দারিয়া কসাদকিনাবু ষ্ট্রেট সেট ২দা ৬-৩, ৭-৬ (৭-৫)তা থোইরম্বী কেরোলিন ৱোজনিয়াকিগা লম্বা তৌনরগনি।

নুপীগী কাংলুপ অসিগী অতোপ্পা সেমি ফাইনেলদা ৱর্ল্ড নম্বর ১ ওইরিবী ওষ্ট্রেলিয়াগী এসলি বার্টিনা নেদর্লেন্দসকী কিকি বর্টের্ন্সনা লম্বা তৌনরগনি। বর্টিনা মহাক্কী ক্বার্টর ফাইনেলদা জেক রিপব্লিক্কী শান্নরোয় পেত্রা কিটোভাবু ৪-৬, ৬-৪, ৬-৩দা থোইবা ঙমখি।

অদুগা অতোপ্পা ক্বার্টর ফাইনেল মেচ অমদা নেদর্লেন্দসকী কিকি বর্টেন্সনা টুর্নামেন্ট অসিদা ৮ শুবা সিদেদ শান্নরোয় ওইনা শরুক য়াখিবদা ঙসি অঙনবদা শান্নখিবা ক্বার্টর ফাইনেল মেচতা টুর্নামেন্ট অসিগী ৩শুবা সিদেদ শান্নরোয় য়ুক্রেনগী এলিনা স্বিটোলিনাবু ৭-৬ (৮-৬), ৬-২দা থোইদুনা ৱর্ল্ড নম্বর ১ শান্নরোয় ওইরিবী এসলি বার্টিগা লম্বা তৌনগদৌরি।

চাইনা ওপন টুর্নামেন্ট অসিগী নুপাগী সেমি ফাইনেলদা ওষ্ট্রেলিয়গী দোমিনিক থিএম অমসুং রসিয়াগী এ খাচানোক লম্বা তৌনরগনি। অতোপ্পা সেমি ফাইনেলদা গ্রিসকী সিসিপাস অমসুং জর্মনিগী অলেকজেন্দর জ্বেরেবকা শান্নরগনি।

দোমিনিক থিএমনা ক্বার্টর ফাইনেলদা গ্রেট বৃটেনগী এন্দি মুরেবু থোইরমখি। খাচানোবনা ইটালিগী ফোগনিনিবু মায়থীবা পীরম্বনি। অতোপ্পা ক্বার্টর ফাইনেলদা সিসিপাসনা য়ু এসকী জোন ইসনরবু মায়থীবা পীরগা জ্বেরেবনা য়ু এসকী সাম ক্বেরিবু থোইরম্বনি।

# রসিয়াদা পাঙথোকপা ৱর্ল্ড জুনিয়র বেদমিন্টন চেম্পিয়নশিপ ২০১৯দা ইন্দিয়াগী টিম ১২শুবা পোজিসন তাখ্রে



কজান, ওক্টোবর ০৪(এজেন্সী)ঃ

রসিয়াগী সিটি কজানদা লৈবা কজান গিম্নাষ্টিক সেন্টরদা মমাং থাগী ৩০দগী হৌখিবা ২১রকশুবা ৱর্ল্ড জুনিয়র বেদমিন্টনগী মিক্স টিম চেম্পিয়নশিপ্তা ইন্দিয়াগী টিম ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখিদবদগী ৯শুবা পোজিসনদগীনা ১২ শুবা পোজিসন ফাওবগী লম্বা তৌনরকপদা ঙসি ইংলেন্দগী মখুৎতা ইন্দিয়াগী টিম মেচ ৩-২দা মায়থীদুনা ১২ শুবা পোজিসন তাহৌখি।

ইন্দিয়াগী টিম অসি হৌরকপগী লিগ মেচশিংদা য়াম্না ফজরল্লবা মতুং মখা তারকপদা মায়োক্লবা টিমশিংগা লেং থেংনবদা মায় পাকপা ঙমখিদবদগী ঙসি শান্নখিবা ১১ অমদি ১২ শুবা পোজিসনগী লম্বাদা ইংলেন্দগী মখুৎতা মেচ ২-৩দা মায়থীবা নংদুনা ৱর্ল্ড জুনিয়র মিক্স টিমগী লম্বাদা ১২শুবা পোজিসন তাখি।

ইন্দিয়াগী টিম অসিনা গ্রুপ ষ্টেজতা লৈহৌরবা মতুং সিঙ্গাপোরবু থোইরগা ৯শুবা পোজিসনদগীনা ১২ শুবা পোজিসন ফাওবগী ক্বালিফাই ওইখি। মদুদা ইন্দিয়াগী টিম অদু চাইনিজ টাইপৈগী মখুৎতা মেচ ২-৩দা মায়থীবা নংদুনা ঙসি ইংলেন্দগা ১১ অমসুং ১২শুবা পোজিসনগী লম্বা তৌনরকপদা অমুক্কসু মায়োক্লবা টিম ইংলেন্দগী মখুৎতা মেচ ২-৩দা মায়থীবা নংদুনা ৱর্ল্ড জুনিয়র মিক্স টিম চেম্পিয়নশিপকী ওইনা ১২শুবা পোজিসন তাবা ঙমখি।